ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ০১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০০৮শুবা মশীং

# কোরোনাভাইরসনা শেন্মীৎলোন্দা পীরকপা চৈথেং

## ইন্দিয়ানা হৌজিক ইকনমিক সুনামি মায়োক্নবা য়ানা লৈরে

তোঙান-তোঙানবা দোমেষ্টিক অমসুং গ্লোবেল রেটিং এজেন্সিশিংগী মোত মতুংইন্না মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা ইন্দিয়াদা ইকনমিক সুনামি মায়োক্নহল্লগনি। চাইনাগা লল্লোন ইতিক্কী অচেৎপা মরী থম্নরিবা য়ুরোজোন নৎত্রগা এসিয়া পেসিফিক্কী লৈবাকশিংগুম অদুক হাক্না শেন্মীৎলোন শোকচিল্লক্তবা তারবসু ইন্দিয়াগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) দা অচৌবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীরক্লগনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোত পীরি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মার্চ ২৫দগী হৌরগা ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা নুমিৎ ২১নি চূপ্না লোকদাউন তৌরি। থৌরাং অসিনা এপ্রিল ১দগী হৌগদৌরিবা শেনবা চহী ২০২১দসু অচৌবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীরক্লগনি। মার্চ ২৬তা ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা রিলিফ পেকেজ অমা লাউথোকখিবগা লোয়ননা থংনবা নুমিৎতা রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানসু ইন্টরেষ্ট হন্থহন্নবগী ৱাফম লাউথোকখি। হান্নদগী হৌনা জি দি পি হন্থরক্লবা ইন্দিয়াদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম খজিক্তং শোকচিল্লকপা মতমদা নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা শিন্মীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীরক্লগনি। মুদিস ইনভেন্টর সর্ভিসনা ইন্দিয়াগী জি দি পি চাদা ২.৫গী চাংদা হন্থরগনি হায়রি। দোমেষ্টিক রেটিং এজেন্সি 'ক্রাইসিল' গী রিপোর্টনা হায়, শেনবা চহী ২০২১দা ইন্দিয়াগী জি দি পি চাদা ৫.৭ ওইরম্বদগী চাদা ৫.২ ওইরগনি। এপ্রিলদগীনা জুন ফাওবদা কোরোনাভাইরস লাকশিনবা ঙমদ্রবা নৎত্রগা লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা পাক-শন্না শন্দোরকপা তারবদি জি দি পিগী ফীভম অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লক্লগনি হায়রি।

মুম্বাইদা বেজ তৌবা 'ক্যের' গী এষ্টিমেট মতুংইন্না ইন্দিয়াগী জি দি পি চাদা ২.৫ রোম হন্থরকপা য়াই। অদুবু নুমিৎ ২১নি লোকদাউন তৌখিবনা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা চৈথেং পীগদৌরিবসি শেনবা চহী ২০২১গী অহানবা থা অহুমদনি। করিগুম্বা লোকদাউনগী মতম এপ্রিল ১৪দা লোইশিল্লবা অমসুং মখা তানা লোকদাউন তৌরক্তবা তারবদি জি দি পিগী ফীভম খরা ফগৎলকপা য়াই। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী এক্সপেন্দিচর হন্থহনবগা লোয়ননা বেঙ্কিং সেক্টরনা অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎপা মথৌ তাগনি হায়রি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মালেম অপূনবগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লে হায়না ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) কী মেনেজিং দিরেক্টর কৃষ্টালিনা জোর্জিভানা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অমরোমদা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী মতাংদা নুমিৎ ২১নি লোকদাউন তৌখিবনা ঈ-কম্মর্সতা দোলর বিল্লিয়ন ১ রোম মাঙহল্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রবনি। ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা এপ্রিল ১৪ ফাওবা লোকদাউন তৌখিবনা ঈ-রিটেলরশিংদা ইসেন্সিয়ল আইটেমশিংতমক য়োন্নবগী অয়াবা পীরি। মমাঙদা মীয়াম্না ইন্টর্নেটকী খূথাংদা লৈরম্বা মমল তাঙবা পোৎলম অয়াম্বা মখা তানা য়োনবা য়াহনখিদ্রে। প্রাইম মিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা থৌরাং অমগী মখাদা হীদাক-লাংথক অমসুং অখন্নবা পোৎলম খরখক নত্তনা পোৎলম অয়াম্বা ওনলাইন্দা য়োনবা য়াহনখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ওনলাইন রিটেলর ওইরিবা এমাজোন অমসুং ফ্লিপকার্টনা মার্চ ২৪দগী হৌনা কষ্টমরশিংগী ওর্দর লৌবা লেপখ্রে। ঈ-কম্মর্সকী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা লল্লোন-ইতিক্কী থবক-থৌরমশিং চপ লেপখ্রে। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিল্লবা মতুংদা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎহৌদ্রগদি শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি নীংদে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সিম্বোল য়েকপগী ৱাহংদা মীৎয়েং অমা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

সিম্বোল হায়বসি করিগুম্বা অমগী থোইদোকপা মতিক-ময়াই অমদি আইদিয়ানচিংবা চেনবা খূৎয়েক্কী নৎত্রগা পোৎশক্কী ওইবা মওং মতৌশিং অদুনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী সিম্বোলশিং অসিসু পার্টিশিং অদুগী মশক তাক্লবা থোইদোকপা মতিক-ময়াইশিং অমসুং আইদিয়াশিং চেনবা মীৎনা উবা ঙম্বা মওং মতৌ নাইবা পোৎশকশিংনি। ষ্টেটশিং অমসুং ফেষ্টিবেলশিংগীসু য়ুনিক ওইবা সিম্বোলশিং লৈনরিবনি। মণিপুরসু চহী লিশীং অনী হেন্না মনীং মখা তম্না নিংথৌরেল কয়া পাল্লম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বসি তুং কোয়না চারোল-শুরোল কয়া ৱারীনহৌদুনা খঙহৌনবা টিট্যুলার কিং ওফ মণিপুর হায়দুনা হৌজিক ফাওবা মীচম মীয়াম্না খ্বাইদগী ৱাবা থাক্কী ইকায়খুম্নবা উৎতুনা লিভিং সিম্বোল ওইনা লৈরি।

সিম্বোলশিং অসি পরিক্ষাদা য়েক্নবা হংলবনিনা ৱাহংগী মতুংইন্না মচু থাদুনবু নৎত্রগা থাদনবু ওইরবসু নম্বর ফংবা তান্ননবা মওং-মরীল তানা য়েক্লবা হোৎনরক্দৌরিবনি। বি জে পি পার্টিগী পোলিটিকেল সিম্বোলদি থম্বাল হায়বা লৈ অদুনি। লৈ অসি খেন্নবা মচুগী মখল খরসু লৈ। চেদা-করিদা য়েক্লরিবা বি জে পি পার্টিগী পোলিটিকেল সিম্বোল ওইনরিবা থম্বালগী খুয়েক্তি ফুগাইরপ শাৎপা অঙাংবা মচুগী লৈনা মঙা পানবা অদুগা অশংবা মচুগী মনা কেলিক্স তনা মপান ইথং থংনা লৈনাশিংবু য়োল্লপ্পা য়েক্লগা উৎপা থম্বালগী মওং মতৌনি। অদুবু হন্দক কোসেমনা ক্লাস টুয়েল্বকী সোসিএল সাইন্স সবজেক্টতা বি জে পি পার্টিগী পোলিটিকেল সিম্বোল য়েকপগী হংখিবা ৱাহংদা সিম্বোলগী সাইজদি পনখিদে। পন্দবনা মরম ওইদুনা অথোই-অহেন তান্নরিবা মহৈরোয়শিং অদুগী ৱাখলদা করম্বা সাইজদা য়েক্লগনা নম্বর হেন্না ফংগদগে হায়বগী চমম্নবা অমা পোক্নরমগনি। অদুনা য়েক্লরিবা সিম্বোলশিং অদু চুম্নরবফাওবদা সাইজদি অমত্তা মান্নরম্লরোই। পীরিবা মার্ককী মতুংইন্না য়েক্কদৌরিবা পোৎশক অদুগী সাইজ অমসু পন্দ্রগদি চুম্নগী এগজামিনরদি লায়রদনা দ্রোয়িংগী ওজা ফাওবদা মার্ক পীফম খঙলোই। অমনা দ্রোয়িংমক্কী সবজেক্টসু নত্তবনিনা মহৈরোয় অয়াম্বদি থম্বাল মচু তাহন্নবা কলর পেন্সিল ফাওবা পুনরক্লমদবসু য়াওরমগদৌরিবনি।

বি জে পি পার্টিনা সিম্বোল ওইরিবা থম্বাল কৌবা লৈরাং অসিদি মালংববু নুংশিবা মনম চেলহল্লিবা, তাইবঙ মীওইবগী পূক্নিং-ৱাখলবুসু ঈংহল্লিবা, মখোক্তসু তিঙ্খং পাল্লগা বর্ম্বা কৌবা মপুগী ফম্বাল ওইনবা ইরোলনুংদগী তনিক-তনিক থিনগৎচরক্তুনা শাৎচরিবা থোৎ-নৌখ্রবা লৈরাংনি। অদুনা সিম্বোলগীবু ওইরবসু থম্বাল অমা নৎত্রগা লাই অমা য়েকপা হায়বসি অপিবা সাইজ অমদি অতৈ তঙাইফদবা দ্রোয়িংগী পেরামিটরস খরগী মখা পোন্না থম্বাল নৎত্রগা পোৎশক অদু মান্না নম্বর হেন্না ফংনবা ফজনা য়েকপা তান্নগদৌরিবনি। অদু নত্তদুনা চাউবা-পিকপা, থীবা ফজবা নাইদবিদা অমদি মওং মতৌ ইচান চান্নদনা থম্বাল অমবু বি জে পিগী সিম্বোলনি হায়দুনা য়েকপু য়েক্লগদি ফুল মার্ক শোয়দনা পীগনি হায়রগদি মদুনা তশেংবা ৱাফম অমা ওইখ্রে। অদুম ওইদুনসু এগজামদা ঝমেলা ওইগদবা সিম্বোল য়েকপগী ৱাহং হংবগী মহুত্তা সিম্বোল অদুগী নুংগী ওইবা আইদিয়াশিং অদু পীরিবা মার্ককী মতুংইন্না ফজবা পোইন্টশিং খনগৎহল্লগা ইহন্নবগী ৱাহং ওইনা হংবিবনা হেন্না ফগদ্রা খল্লি। অদুগা মহৈরোয়শিংগীসু খূৎলোয়নবা টেক্স বুক্তা সিম্বোল অদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং অদু মচা খায়না য়াওহনফম থোকই। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংগী মফমদা ৱাফম অসি ইচম চম্না থমজরিবনি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# লান মখল অমনি

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

সাইন্টিফিক্কী ওইবা ৱারম কয়া অমা লৈরমগনি। মতমনা পুরকপা মখল অমগী ভাইরসসু ওইরমগনি। লৈবাক অমনা তৌগে য়াওনা তৌবা ওইরবসু য়াই, ওইরমদবসু য়াই। মীনদি পংহায় হায়নৈ, অদুবু মসি থওইনা তৌগে হায়না তৌবা ওইরমগনি থাজদবগী মী মশীং অসুক্কী মতিক য়াম্না মালেমসিদা লৈরমগনি। ঙসিদগী চহী দিকেদ অহুম মরিমুকসিদা মালেমসিদা মমাঙঙৈদা তোইনা থোক্লমদবা হকশেলগা মরী লৈনবা লায়না তীলনা মখল কয়া অমা তোইনা থোরক্লি। ঐচ আই ভি/এইদস, স্বাইন ফ্লু, বর্দ ফ্লু, ইবোলা ভাইরস, ভাইরেল মেনিনগিটিস, এভিয়ন ইনফ্ল্যুএঞ্জা মখল মখলনচিংবা য়াম্না শাথীনা কিনীংঙাই ওইবা কয়া অমা। হৌজিক্না ২০১৯গী লোইরমদাই নুমিৎ খরনিদা ঙাইরবা মতমদা ৱুহান, চাইনাদগী থোরকপা কোরোনাভাইরস। মসিগী মমাঙ, চহী কয়া অমগী মমাঙদসু য়াম্না লৈরম্মী, কোলেরা, টাইফোইদ, টি বি, মেলরিয়া, দেঙ্গি, প্লেগ, মেনিঙোকোকেল দিজিজ, য়েলো ফিবর, একুট ন্যুরোলোজিকেল সিন্দ্রোম, ঐচ ১ এন ১ নচিংবা কয়া। লোয়নমক পল্লুবা ঙম্বা নত্তে। পূন্নমকশিং অসি মতম মতমগী ওইনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা পূন্নমক্না থেংনরক্লিবা ঙাক্তনি। হৌজিকসু নৌনা থোরক্লিবা কোরোনাভাইরস অসিগী লান অসি মীওইবনা থেংনবা তারি। মমাঙঙৈ মণিপুরদা কোলেরা লাইচৎ লাকপদা য়ূমথোং খুদিংদা শিদবা মী য়াওনখিদে। ইমুং অমদা মী পূন্না পূন্না শিবফাওবা য়াওখি হায়নৈ। অমা শিবগী পোৎলোইরিঙৈদা অমা অমুক শিজিল্লকপগী ৱারী ঐখোয় হৌজিক ফাওবা তারি। অহল লমনশিংনা লীবিরম্বদা, মতমদুদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা হীদাক লৈখিদে, ডোক্তর লৈখিদে। অখঙ অহৈ অমত্তা লৈতবা ওইবনা ইচম চম্বা মৈতৈ মাইবগী হীদাক লাংথক খরা থাবদু নত্তনা অতৈ পান্বে অমত্তা লৈখিদে। অদুনা মীশি মীনাগী চাং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না হেনখিবনি হায়না থন্বীরমখি। মতম অদুগী অৱাবা ৱারী অদু হৌজিক হৌজিক আর কে সী এসকী গেল্লরিদা লৈখিদ্রবা পাবুং আর কে সী এসনা য়েক্তুনা থন্বীরম্মী। অয়েকপা লাই অদুনা ৱারী ময়াম অমা লীদুনা ঙসিগী মীরোল অসিদা তল্লি।

হন্দক্কী লান মখল অসি খরা হেন্না শাথী। মসিনা মীয়ামদা কা হেন্না মীপাইবা পোকহল্লি। হৌজিক ফাওবদা মালেমসিদা লৈরিবা ফাওরবা মেদিকেল/ফার্মাসিটিকেল সাইন্টিষ্ট ময়াম অমনা হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রি। চাংয়েং তৌরি হায়, মদুগী মহয় চাগদবা অমা ফাওবদি পুথোরক্ত্রি। ইন্দিয়াসু তৌরমগনি, কনানা তৌরিবনো হায়বদুদি খঙদে। মণিপুরদসু মসিগী লায়না অমদি ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবা ফাওর-ফাওরবা লৈরিবা ডোক্তর ময়াম অসিনা করিগুম্বা হীদাক অমফাওবা পুথোকপগী ৱাখল লৈত্রি। মখোয়না হেন্নদুম লৌশিং মাঙশিল্লকপা মানবগী থৌওং উবা ফংলি। তশেংবগীদি কোরোনাভাইরস হায়রিবা তমথীরবা লায়না অসিনা চংশিল্লক্লিবা লাঞ্চং অসি থিংনবা মতিক চাবা খূৎলায় লৈতে। পর্সনেল প্রোটেক্সন ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) হায়বা অসিনা মরাং কায়না লৈত্রি। মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর ফংদে। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সপ্লাই তৌদে। মদু য়াওদনা অমদি মশাদা মহিকশিং অদু চংহন্দনা পূক্নিং লূম্না থবক তৌজনবগী মচাক অমত্তা মরাং কায়না মণিপুরদা লৈতে। মদু য়াওদনা করম্না কোরোনাভাইরস মায়োক্নবা ঙমগনি। ডোক্তরসু মীনি, শিবা কিরিবনি, তাইবঙগী চেঙ চাদুনা নুংঙাই য়াইফনা হিংজগে, তাইবঙ মীওইবগী থৌগল তৌজগে হায়বগীদমক ডোক্তর তম্লুবনি। শিনবা তম্লুবা ডোক্তর নত্তবনিনা পূক্নিং লূম্না থবক তৌবা ঙমদবনি। মসিদা ডোক্তরশিংদা তাইনবা য়াবা নত্তে। মালেমগী ওইনা য়েংবদা শিবগী মশীংনা খরা হেল্লবসু ফরকপগী চাংসু অদুম লৈতবা নত্তে। ফরকপগী চাং নেল্লিবা অসিসু মতিক চাবা খূৎশু খূৎলায়, হীদাক লাংথক ফংদবা অমদি মেদিকেল হেলথ ক্যের সর্ভিস ৱাৎপদগী ওইরম্বসু য়াই। মহিক অসিনা ঙম্না হৌজিক ফাওবদি চৎলি। অদুবু নুংঙাইরিবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা হায়রিবা তঙাই ফদবা লায়েংবদা চংদবা য়াদবা পোৎলমশিং খরদি অখন্নবা ফ্লাইট অমনা পুরকখ্রে। মসিমদি লাইবক ফবা অমনি।

ইন্দিয়া পূম্বদা নুমিৎ ২১ লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইদুনা মণিপুরদসু মীয়াম্না খম থেংনা ৱাবগী পন্দোল অদু য়ৌনরে। সিগী ৱাবসি ঐখোয় খঙবা তাবনি। ৱাবদগী হেন্দোক্তুনা শিবা য়াওনরক্লবদি করি ওইগনি। মদু ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিন্না অদুগুম্বা অৱাবা অদু লাক্তনবা কন্না হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় পূন্না ৱারসু ৱানা কো ওপরেসন পীনবগী মথৌ তাই। হৌজিক অসি য়ৌনা ফীভম ফৎত্রবসিদা ফৈরেং তুরেং তৌবা কয়া অমসু লৈরি। লম্বীদা থোক্কনু হায়রগা লমহেন তুহেনদুনা কোয়চৎ চৎপা কয়া অমসু লৈরি। মদুদা ঐখোয়গী পুলিস পর্সনেলশিং অসিনা ৱারৌরকপা হায়বসিদি মশানা তারবনি। খরদুম হেন্না চৈ চারগা ফগদবনি। অমনা, য়ূম য়ূমদা ময়াম পুনশিল্লগা পার্টি তৌবা, চাকচা হৈজানবা, জ্বার মখল কয়া শান্নবগী পাউসু লৈতবা নত্তে। মসি তৌফম থোক্তবনি, করিগী অদুম্না তৌগদৌরিবনো? মী অমগা মী অমগা য়ামদ্রবদা মিটর অমগী চাংদা লেপ্পদুনা ৱারী শানৌ হায়বনি। মদুগী কাঙলোন অসি ঐখোয় শ্বাইদা শেম্বসু নত্তে। মালেমগী ওইনা লৈরিবা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনননা পুথোকপা ৱারোলনি। সাপোননা খূৎ-শা শেংনা য়ামদ্রবদা হেন্দ ৱাশিংগী ষ্টেপ তরুক অদু শুনা সেকেন্দ কুন হামদোকউ অমদি হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা খূৎ-শা তোইনা নোইথোকউ হায়রিবনি। মদুনি মালেম অসি শিনবা থুংনা চৎনরিবা। মদুনা ভাইরস অসিনা মীওইবদা শন্দোরকপা থিংবদা মতেং ওইগনি হায়রিবনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা হৌজিক মালেম অসিদা লায়না অসিনা কয়া য়াম্না শোকহল্লবগে অমদি খুদোং চাহন্দ্রবগে হায়বা নুংতিগী পাউ তানরিবা ঙাক্তনি। মসিমক্তদা লম হেন্দুনা কাতু-কারন তৌরিবশিং অসি ৱাখল তারকপা অমা মথৌ তাই। লান্দারক্লিবা লাইচৎ অসি ঐখোয় পূন্না মায়থীবা পীবা অমা চঙই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কোরোনাভাইরস অসিবু থেংননবা মখল অমত্তগী হীদাক পুথোকপা লৈত্রি। চেকশিনবা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতম মতমগী ওইনা থোরক্লিবা লাইচৎ অসিদগী কনবা ঙম্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবা অমা চঙই। নৎত্রবদি মতম অমগী কোরেলাগী অৱাবা ৱারী অদু মফম অসিদা অমুক হঞ্জিল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ইটলিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি তাবদা পূক্নিং য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা অমনি। মসি ইন্দিয়াদনা হেন্না লুশিল্লকপসু য়াই। মরমদি ইন্দিয়াদা ময়ূম মকৈ লৈতবা অমদি লায়রবা চাকনিবা মশীং নাইদনা লৈরি। মসিগী মরকসিদা কোরোনাগী অৱাবা মখোয় খঙদে। মখোয়গী হায়ববু নোংমগী চরা থিবা অদুনা হেন্না মরু ওইরিবনি। অদুনা ফনা য়াম্না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হোৎনরবসু মখোয়দদি চঙদে। অদুনা ইন্দিয়াগী ওইনসু কা হেন্না পোজিটিভ মশীং অসি শোয়দনা হেনগৎলকখিগনি হায়না মালেমগী ওইনা লৈরিবা অখঙ অহৈ কয়ানা হায়দুনা লৈরিবনি। লৈঙাক্লসু মতম মতমগী ওইনা মীয়ামদা পূক্নিং শোন্থদনবা মওংদা ৱাফমশিং থন্বীবগা লোয়ননা অৱাৎ অপা কয়া লৈরিবশিংগী অহোবা য়েংদুনা মতেং পাংবীবা হায়বসি মথৌ তারি।

মতম অসিদা ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা তৌবা য়াবসি মপান থোক্তনা য়ূমদা লেংদনা লৈনবা হোৎনবীবা, কনাগুম্বশিংগা ৱারী ৱাতাই শানবদা য়ামদ্রবদা মিটর অমা লাপ্না লৈনবা, খূৎ-শা সাপোন শীজিন্নদুনা তোয়না হামদোকপা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা। মথৌ তারবদি মাস্ক নীংথিজনা শীজিন্নবা হায়বা অসি মরু ওই। লান মরক্তা হিংলিবা ঐখোয়না তৌগদবসি লান অসিদগী হিংনবা পান্বে থিবা অসিনি, পান্বে অদুদি - মতম মতমগী ওইনা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন অমদি ঐখোয়গী লৈঙাক্না পীরকপা ৱাফমশিং য়াম্না হকচিননা লৌশিনবা অমগী মথৌ তারি। মসিখক্তনা ঐখোয়না মালেমদা লৈরিবা মীওইবদা লান্দারক্লিবা কোরোনাবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়না থাজে। ●

# নোভেল কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা হীদাক

**সাইন্সকী খোঙচৎ**
**কুঞ্জো নাওরেম**


প্রোফেসর রাল্ফ হিলজেনফেল্ড

কোরোনাভাইরস হায়বসি তাবদা অকিবা পোকপা ৱাহৈ অমা ওইরক্লে, অদুবু নীংবা কায়বমক্তি য়াদ্রি। মরমদি মালেমগী থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা ভেক্সিন পুথোক্তুনা মীওইবদা চাং য়েংবা হৌখ্রে। অতোপ্পা অমরোমদনা, নোভেল কোরোনাভাইরস (সর্স-কোভ-২ নৎত্রগা এস এ আর এস সি৩ ভি-২) থেংনবা ঙমগদৌবা হেন্না ফবা এন্টিভাইরেল অমা পুথোরকপগী মতাংদা 'সাইন্স' জর্নেলদা ফোঙদোরক্লি। অহানবদা থিজিল্লোয়শিংগী লূপ অসিনা ভাইরস অদুগী 'মেইন প্রোটিজ' (এম[প্রো]) গী ক্রাইষ্টেল ষ্ট্রকচর পুথোকখি। মেইন ভাইরস প্রোটিজ হায়বসি কোরোনাভাইরসকী লাইফ সাইকলদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা এঞ্জাইম অমনি। ভাইরস অসিনা মীওইবগী সেল মনুংদা চংলক্লবা মতুংদা, প্রোটিজ অসিনা ভাইরেল আর এন এবু ইহান হান্না ট্রান্সলেট তৌহল্লিবা পোলিপ্রোটিন ময়াম অমবু প্রোসেস তৌই। প্রোটিজ অসিনা পোলিপ্রোটিনশিংদগী অপিকপা প্রোটিন ১২ ককথৎলি। মখোয়সি ভাইরেল আর এন এ জেনোমবু কোপি তৌবদা চংবা রেপ্লিকেসন (চপ মান্নবা ভাইরস পুথোকপা নৎত্রগা মচা পোকপা) কমপ্লেক্সকী শরুকশিংনি। অদুনা মেইন ভাইরস প্রোটিজ (এম[প্রো]) না ভাইরসতুনা রেপ্লিকেট তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌই। এন্টিভাইরেল হায়বসি, ঐচ আই ভি ভাইরস লায়েংবদা শীজিন্নবা হীদাকশিংগুম্না, এম[প্রো] হায়রিবা এঞ্জাইম অসিবু থিংদুনা থন্নগা হায়বদি মথৌ তৌহন্দনা থন্নগা ভাইরসতুনা রেপ্লিকেট তৌহন্দবনি। অসিগুম্বা ইনহিবিটর (থিংদুনা থম্বা ঙম্বা হীদাক) অমনা নোভেল কোরোনাভাইরতগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

জর্মনিগী য়ুনিভর্সিটি ওফ লুবেককী রোল্ফ হিলজেনফেল্ডনা লুচিংবা লূপ অমনা ভাইরসকী মেইন প্রোটিজগী ক্রাইষ্টেল ষ্ট্রকচর অমা অংষ্ট্রোম ১.৭৫কী রিজোলুসনদা পুথোকপা ঙমখি। প্রোফেসর রোল্ফ য়ুনিভর্সিটি ওফ লুবেককী ইন্সটিট্যুট ওফ


থিজিনবগী থবকসিদা শরুক য়াখিবা জিয়ন লৈ

বাইওকেমিষ্ট্রিগী দাইরেক্টরনি। মহাক ষ্ট্রকচরেল ভাইরোলোজিগী থিজিন খোৎচিনবদা মমিং লৈরবা সাইন্টিষ্ট অমনি। মহাক্না কুমজা ২০০৩দা থোকখিবা সর্স (এস এ আর এস) কী মতাংদা ম্যেন প্রোটিজ ইনহিবিটর অমা অহানবগী ওইনা পুথোকখি। কুমজা ২০১৩গী মিদল-ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এম ঈ আর এস নৎত্রগা মর্স) আউটব্রেক্কী মখা তারকপা ওইনা কোরোনাভাইরস পূন্নমক্কী ইনহিবিটরশিং পুথোক্লবা থিজিনবগী থবক মখা চত্থরকখি।

অতোপ্পা কোরোনাভাইরসশিংগী হান্না পুথোকখ্রবা ইনহিবিটর অমবু অমুক হন্না দিজাইনিং তৌরগা, থিজিল্লোয়শিংনা এঞ্জাইম (এম[প্রো]) অদুবু মায় পাক্না থিংবা ঙম্বা ইনহিবিটর অমা পুথোকখি, অদুগা মসিনা নোভেল কোরোনাভাইরসপু ময়াই চমহল্লি। পাউদমদুদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, এম[প্রো] গী ষ্ট্রকচরদা য়ূম্ফম ওইরগা থিজিল্লোয়শিংনা মিশি (লেদ) গী কম্পাউন্দ অমবু সর্স-কোভ-২গী ইনহিবিটর ওইনা শেমগৎখিবনি। ইনহিবিটর অদুনা এঞ্জাইমদুগী অখন্নবা মফম অমদা লান্দাশিল্লি। এঞ্জাইমদুগী অসিগুম্বা মফম অমদা লান্দাশিল্লিবা এন্টিভাইরেল খুদিংমক মীওইবগী সেলশিংদা হু চেলহন্দে।

থিজিল্লোয়শিংনা অতোপ্পা কোরোনাভাইরসশিংগী ম্যেন প্রোটিজশিংবু থিংবা ঙম্বা ব্রোদ-স্পেক্ত্রুম ইনহিবিটরশিং হান্ননা দিজাইন তৌখ্রবনি। ইনহিবিটরশিং অদুগী মরক্তগী অমখক্তি অতোপ্পা কোরোনাভাইরসশিংগী মায়োক্তা এন্টিভাইরেলগী মথৌ ফজনা তৌবা ঙম্মী। হৌজিক, থিজিন লূপ অদুনা ইনহিবিটর অদু খল্লম্মী অদুগা হীদাক অদুনা হকচাং মনুংদা তুংদুনা লৈবগী চাং অমসুং ঈগী প্লাজমাদা তুম্বগী চাং হেনগৎহন্নবা শেমদোক-শাদোক্লম্মী। শেমদোক শাদোক্লবা মতুংদা, ইনহিবিটর (কম্পাউন্দ ১৩ এ হায়না খঙনবা) অদুগী হাল্ফ লাইফ অদু শরুক অহুম হেনগৎহনবা ঙমখি অদুগা তুম্বগী চাংনা ১৯গী ফেক্টরদা হেনগৎহনখি। এন্টিভাইরেলগী মগুন হেনগৎহন্নবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা মখা তানা কম্পাউন্দ ১৩ এবু শেমদোক-শাদোক্তুনা অনৌবা ইনহিবিটর (কম্পাউন্দ ১৩ বি) অমা শেমগৎখি। কম্পাউন্দদুগী আই সি ৫০ (৫০% থিংনবগীদমক কম্পাউন্দুগী কাঙবুগী চাং) না নোভেল কোরোনাভাইরস থিংবগী চাংদু মাইক্রোমোলর ০.৯০ নি। মাইক্রোমোলর ১.৭৫ য়ৌহল্লবদি ইনহিবিটরদুনা ভাইরসনা রেপ্লিকেট তৌবদু ফজনা থিংই।

ইহান হান্না শেমদোক-শাদোকখিবা ইনহিবিটর ১৩এগী মেটাবোলিক ষ্টেবিলিটিদু উচি অমসুং মীওইবগী মাইক্রোসোমশিং (ইন্দোপ্লাজমিক রেটিকুলমগী শরুক অমনি অদুগা রাইবোসোমদা নপ্তুনা লৈ) দা কান্নবা ফংখি। মিনট কুন্থ্রাগী মতুংদা, হকচাং মনুংদা লৈহৌরিবা কম্পাউন্দদুগী ৮০% (উচিশিংদা) অমসুং ৬০% (মীওইবদা) দি মেটাবোলিক্কী ওইনা ষ্টেবল ওইদুনা লৈ। ইনহিবিটর অদু উচিশিংগী উনশাগী হেক মখাদা কাপ্পা মতমদা, ইনহিবিটরদু ঈগী প্লাজমাদা পুং মরি য়াওদুনা লৈ। অদুগা নোংমগী মনুংদা হক্কী ঈশিংগী মতেংনা হকচাংগী মপান্দা থাদোকখি। কম্পাউন্দ ১৩বিগী হাল্ফ-লাইফনা পুং ১.৮নি। অদুবু খ্বাইদগী মরুওইরিবদি, পুং ২৪গী মতুংদা ফাওবা কম্পাউন্দ ১৩বিগী শরুক খরা (৩৩ নানোগ্রাম পর গ্রাম) থবোন্বীগী টিস্যুদা তুংদুনা লৈহৌই। ভাইরস অদুনা থবোন্বীদা লান্দারকপনিনা নোংমা চুপ্না ইনহিবিটরদুনা থবোন্বীদা তুংদুনা লৈবা হায়বসিমক শিংথানীংঙাইনি।

থিজিনলূপ অসিনা ইনহিবিটর ১৩বিবু উচিশিংনা শ্বর হোনবদা য়াওহন্দুনা করি করম্বা ইফেক্টশিং থোরকপগে হায়না চাং য়েংখি। মসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ইফেক্টশিং থোরকপা থিজিল্লোয়শিংনা থেংনরমদে। অদুনা ইনহিবিটর অসি হকথেংননা থবোন্বীদা থাবা য়াগনি হায়রি। মখোয়গী চাংয়েংসিদা অফবা মহয়শিং ফংলকপসিনা নোভেল কোরোনাভাইরস থেংননবা হীদাকশিং শানবগী কান্নরবা ফ্রেমৱর্ক অমা পীরবনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি মীওইবদা ক্লিনিকেল ট্রাইএলশিং চত্থবগী মথৌ তারি। ক্লিনিকেল ট্রাইলদা মায় পাক্লবদি মীপূম খুদিংমক্তা হীদাক অসি ফংহনবা ঙম্লগনি। ●


থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবী লিনলিন জাং

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।